# নেসনল স্পোর্টস দেগী থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):** লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু নেসনল স্পোর্টস দে ২০২৩গী থৌরম মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন, দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা খূৎশম্নরগা দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্স মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা লৈবা ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা নেসনল স্পোর্টস দে ২০২৩গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লমদম অসিগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী হোক্কীগী লিজেন্দ ওইরিবা মেজর ধ্যান চান্দদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা অমদি স্পোর্টস এস এন ইনেব্লর ফোর এন ইনক্লুসিভ এন্দ ফিট সোসাইটি হায়বা ৱাফমসিদা য়ূম্ফম ওইরগা পাঙথোকখিবা নেসনল স্পোর্টস দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা হাউস ৬ খায়দোক্তুনা বেদমিন্টন কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা ৱাইখোম মণি গর্লস কোলেজ থৌবালনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী কেম্পসতা নেসনল স্পোর্টস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল প্রো. ঐচ মনোরঞ্জন, ভাইস প্রিন্সিপাল ডা. ঐচ শ্যামকিরননা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা নেসনল স্পোর্টস দেগী থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা হোক্কী শান্নরোয় মেজর ধ্যান চান্দগী মফমদা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা বাস্কেটবোল এগজিবিসন মেটচ অমদি ওজাশিংগী ওইবা স্পোর্টস ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রামশিংসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, থৌবাল কোলেজগী ইন্টর্নেল ক্বালিটি এসুরেন্স সেল (আই ক্যু এ সী) অমসুং ফিজিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অনীনা খূৎশম্নদুনা নেসনল স্পোর্টস দে ২০২৩ অমসুং ৱর্ল্ড ওন্ট্রপ্রেন্যুশিপকী থৌরম কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থৌবাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল দব্লিয়ু বিনানা অথোইবা মীথুংলেন, থৌবাল কোলেজ টিচর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস ইবোয়াইমনা থৌরম মপু অমদি কোলেজ অসিগী আই ক্যু এ সীগী কো-ওর্দিনেটর ডা. টি ঐচ জুগিন্দ্রোনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

ইগ্নৌ থৌবাল কোলেজগী কো-ওর্দিনেটর ডা. কে ঐচ নবচন্দ্রনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা বেদমিন্টন, ফিটনেস সেন্টর অমসুং থৌরী চিংনবীনচিংবা মশান্নশিংসু পাঙথোকখি।

ৱান ইন্দিয়া ফাউন্দেসননা শীন্দুনা ঙসি নেসনল স্পোর্টস দেগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ৱান ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন মৈত্রম সনাতোম্বনা লুচিংবা টিম অমনা সেন্ট জোসেফ স্কুল ইম্ফালদা চৎতুনা স্পোর্টস অমসুং নেসনল স্পোর্টস দেগী কান্নবশিংগী মতাংদা মহৈরোয়শিংদা খঙহনখি।

HL-B/8291/31,1-30/9

# ইসোর স্কুলনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):** হন্দক্তা গুৱাহাটিগী নেহরু ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৩দগী ২৬ফাওবা পাঙথোকখিবা ভোভিনাম নেসনল চেম্পিয়নশিপতা ইন্টরনেসনল স্কুল ওফ রিসোর্সেস (ইসোর)গী মহৈরোয় হোলিনা নিংঙোম্বমনা কেজি ৬২ মখাগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রে।

মহাক্না গোল্ড মেদল লৌরকখিবা অদুদা স্কুল অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা হোলিনাবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে অমদি মখা তাবা চাংদম্নবশিংদসু মীকোক থোংবা ওইসনু হায়না হোলিনাবু পূক্নিং থৌগৎখি হায়না স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল লোংজম বিরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অম্ফানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):** অন্দর-১৬ সাফ চেম্পিয়নশিপ ২০২৩দা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়ন নেসনল ফুটবোল টিমগী প্লেয়রশিংগী ফাইনেল সেলেক্সনদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ১৫ য়াওরকখিবা অদুবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মায়কৈদগী থাদোরক্লি।

অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এস জিতেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদগীঅন্দর-১৬ ইন্দিয়ন নেসনল ফুটবোল টিমগীদমক খল্লকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা অহৈবম সুরজ; দিফেন্দরশিংদা য়াইফরেম্বা চিংঙাখম, ঙারিয়াম্বম অভিজিৎ, উশম থৌঙন্বা, চিংথাম রেনিন, করিশ সোরাম, ভুমলেনলাল হংশিং; মিদফিল্ডরশিংদা নিংথৌজম ন্যুটন, কাঙুজম য়োহেনবা মৈতৈ, বোবি, ঙমগৌহৌ মাটে, অহোংশাংবম সেমসন, লাইরেঞ্জম ভারৎ অমদি সবষ্টিট্যুটশিং ওইনা এম দি অর্বাজ অমসুং নিংথৌখোংজম রিশিনি হায়রি।

# ক্বালিফায়িং রাউন্দ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা ১৪রক শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪ (ক্বালিফায়িং রাউন্দ ফোর আই দব্লিয়ু এল) পাঙথোক্লগনি হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এস জিতেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা লীগ অসি চহী অসিগী নভেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা খঙহল্লকখ্রে। মরম অদুনা মথং থাগী ২০দগী হৌরগা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ পাঙথোকপা হৌগনি। লীগ অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা মথং থাগী ১০ ফাওবদা এন্ট্রি তৌগদবনি। এন্ট্রি ফীনা লুপা লিশিং ৩নি। মথং থাগী ১৬কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা মেনেজরশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোক্কনি। লীগ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংগী ওইনা সী আর এস অমসুং সী এম এস মথৌ তাই হায়রি।

# ৬শুবা মফম কনবা ঙমখ্রে

**ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী):** ইন্দিয়াগী শট্টলর ঐচ এস প্রনোই মালেমগী থাক্তা ৯শুবা মফম কন্দুনা লৈরমখ্রবা মতুং হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০২৩দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবা মতুং ৬শুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ)না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থোকখিবা রেঙ্কিং লিষ্টতা ঐচ এস প্রনোইনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী অহুম কাখৎলগা ৬শুবা মফম কনবা ঙমখিবনি। ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা প্রনোইনা খ্বাইদগী ৱাংনা লৈবা ঙমখিবা অসি ৭শুবনি। হন্দক্কী অসিনা মহাক্কী ওইনদি মালেমগী থাক্তা খ্বাইদগী ৱাংবা রেঙ্কিং ওইরি।


ASIAN INTERNATIONAL UNIVERSITY
ESTABLISHED UNDER SECTION 2(F) OF UGC ACT, 1956.
NOTIFICATION
ADMISSION OPEN -2023-24
B.A. (General) - 3 Years
B.A. (Hons.) - 3 Years
Hindi | English | History | Geography | Sociology Economics | Political Science | Manipuri | Education etc.
M.A. (2 Years)
Hindi | English | History | Geography | Sociology Economics | Political Science | Manipuri | Education etc.
B.B.A. (3 Years)
M.B.A. (2 Years)
Marketing | Human Resource | Finance International Business | Digital Marketing E-commerce Marketing | Banking Management etc.
B.Tech. (4 Years)
Mechanical | Computer Science | Civil Electrical & Electronics etc.
M.Tech. (2 Years)
Mechanical | Computer Science | Civil Electrical & Electronics etc.
B.COM. (3 Years)
M.COM. (2 Years)
B.C.A. (3 Years)
M.C.A. (2 Years)
B.SC. (3 Years)
PCM | PCB | ZBC | IT | CS etc.
M.SC. (2 Years)
Physics | Chemistry | Mathematics Botany | Zoology | IT | CS etc.
B.LIS. / M.LIS. (1 Year)
B.SC. - Agriculture (Hons.)
Diploma in Engineering
Civil | Electrical & Electronics | Mechanical Computer Science | Automobile etc.
-Sd-
Registrar
Contact us:
Address: Asian International University Ghari, Awang Leikai, Imphal West, Manipur-795140.
+91 9319931941
+91 9899108107
www.aiu.edu.in

WHAT'S NEXT AFTER XII ?
Please Visit
Information & Admission Centre For All Courses
Please Visit
RIGHT PEOPLE TO THE RIGHT PLACE
• PARUL UNIVERSITY (Vadodara, Gujarat)
• GANPAT UNIVERSITY (Vadodara, Gujarat)
• NEOTIA UNIVERSITY (Kolkata, West Bengal)
• CHITKARA UNIVERSITY (Chandigarh & Shimla)
• ITS COLLEGE (Greater Noida-Knowledge Park, Delhi NCR)
• SGT UNIVERSITY (Delhi NCR)
• SWAMI VIVEKANANDA SUBHARTI UNIVERSITY (Meerut, Delhi NCR)
• RR GROUP OF INSTITUTION (Bangalore)
• EAST POINT GROUP OF INSTITUTION (Bangalore)
• St. CLARET COLLEGE (Bangalore)
• PRESIDENCY UNIVERSITY (Bangalore)
• PIMPRI CHINCHWAD UNIVERSITY (Pune)
• GRAFIC ERA UNIVERSITY (Dehradun, Uttarakhand)
• UTTARANCHAL UNIVERSITY (Dehradun, Uttarakhand)
• Gulzar Group of Institutions [GGI] (Jalandhar, Punjab), etc.
ADDITIONAL SCHOLARSHIP
facebook : The R Square Career Consulting
MBBS Admission 2023 in India & Abroad
• No Donation
• Assured & Easy Admission
THE R-SQUARE CAREER CONSULTING
Sagolband Bijoygovinda Mamang Leikai, Near SYDA Club
CONTACT: +91 8974682420
HL-P/7243/27,29,31,2/9

G20
SAGARMALA
Ministry of Ports, Shipping & Waterways Government of India
GatiShakti
কন্নেক্টিভিটি ফগৎহনগদৌরিবা, খূদোংচাবশিং হেনগৎহনগদৌরিবা
অৱাং-নোংপোক লমদম চাউখৎহনগদৌরিবা





গ্লোবেল মেরিটাইম ইন্দিয়া সম্মিট ২০২৩
ওক্টোবর ১৭-১৯ | ভারত বন্দাপাম, ন্যু দেল্লী
কন্নেক্ট | কোল্লাবোরেট | ক্রিএট
"তোমথিন ওইরবা কলচরশিংগী মফম ওইরিবা অমসুং ৱাখল-লৌশিং চাউবা, মশা খিঙবা মীওইশিংনা খুন্দাবা ঐখোয়গী অৱাং-নোংপোক লমদম মমাংদা অমুক্তা উখিদ্রিবা খোঙজেল অমদা চাউখৎলক্লি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা অমদি কন্নেক্টিভিটি ফগৎহনবা য়াওনা ঐখোয়না লমদম অসিগী চাউরবা পোটেন্সিএল শীজিন্নবা হোৎনরি।"
সম্মিটকী হাইলাইটশিং
লৈবাক ৪০+ না শরুক য়াগনি
মালেমগী মফম কয়াদগী এগসিবিটর ১৫০+ না শরুক য়াগনি
ভিজিটর ৩০,০০০+
লৈবাকশিংগী অমসুং মিনিষ্টরশিংগী সেসনশিং
এক্সপরিয়েন্সকী অমসুং খঙজিন-তমশিনবগী জোনশিং
ফোরেন দেলিগেট অমসুং বায়র ৪০০+
ষ্টেট অমসুং য়ু টি ১০গী সেসন
মেরিটাইম এগসিলেন্স এচিভরশিংগী সেলেব্রেসন
ইনভেষ্টমেন্ট রাউন্দটেবলশিং
গ্লোবেল মেরিটাইম ইন্দিয়া সম্মিট ২০২৩গীদমক রেজিষ্টর তৌফম : www.maritimeindiasummit.com
রোদ শো
ওগষ্ট ৩১, ২০২৩
মফম
হোটেল রাদিসন ব্লু, গুৱাহাটি
প্রিসাইদ তৌবীগদৌরিবা
শ্রী সর্বনন্দ সোনোৱাল
ওনরেবল য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর পোর্টস, শিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ এন্দ অয়ুশ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
ঙাক্ত্রোইবীগদৌরিবশিং
শ্রী শ্রিপাদ ৱাই. নাইক
ওনরেবল মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পোর্টস, শিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ এন্দ টুরিজম, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
শ্রী শান্তানু ঠাকুর
ওনরেবল মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পোর্টস, শিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
Follow us : GMIS2023 gmis2023 company/gmis2023 GMIS2023 @GMIS2023
CBC 37211/15/0004/2324


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com